# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১০২

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**মণিপুরদা** মীয়ামগী থাজবা, অপাম্বা, অওনবা, অনৌবা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, তংদু লৈতাবা লৈঙাক অমা পুরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থম্নদুনা মীয়াম্না আশা কয়া তৌনরম্মী। ইন্দিয়া নীংখা তম্বা মতমদগী লিশাং শিংনা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরকখি। অদুগুম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মরক্তা অতেনবা লৈঙাক লৈখিদবদি নত্তে। অদুবু মপূংদদি কোংগ্রেস লৈঙাক অদুনা মপূংনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা লৈনখিবদি ঙসিগী মীরোলসিনা কাউনরমগনি নীংদে। মদু পূম্নমক্কী মনুংদা মণিপুরদসু কোংগ্রেসকী লৈঙাক্না মপূংনি। ঙরাং নহানতা থুপচিনখিবা কোংগ্রেসকী ও ইবোবীগী মপূং চহী ১৫গী লৈঙাক্তা মণিপুরগী মীয়াম বল্লিগী হামেং ওইরম্মী। মরাল লৈবা লৈতবা, ৱায়েল পথাপ চত্থবা চত্থদবা হাৎনীংবা য়েক্নবা পূম্নমক পঙহাৎ হাৎনখিবা অনৌবা পুৱারীগী অহোংবা শক্তম ময়েক শেংনা মীয়াম্না খঙনরকখি। মণিপুর মীয়াম চহী ১৫ য়াম্না ৱানা খাঙলকখিবা ঙাক্তনি। শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী কল্লবা মরক্তা মন্ত্রি, এম এল এ, এম পি খরদি ক্রোর পটি ওইনরমগনি। মসি পূম্নমক মীয়াম্না লেংদবা শাখিনি।

পোলিটিক্স হায়বসি পিবা ফমদি নত্তে। কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা খূৎচাবী ফম্নাইবা খরদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবদা নত্তনা মনি মুক্তা থিনবা য়াওনরমগনি। মতমদুগী শঙ্গ-পঙ্গ, শেঞ্জা থুমজা য়েংলগা ফমজাউ কয়া নমদুনা কানরকখিবা য়াওনরমগনি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদুদা থাজ-থাজদ্রবা মীশক মীওই খরদি মথি ফোংনরম্বা মীয়াম্না ফোঙনা খুঙ্গং-সহর মফম খুদিংমক্তা উনখ্রবনি। মসি ঙম্নমক মীয়াম্না লেংদ্রবা শাখিনি। কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদুদা লৈকং থোং শারম্বা, ইমা কৈথেল ফজনা শারম্বা কয়া মখৌ পোংনা পোংনা লাউরম্বা মীয়াম্না তানখ্রবনি। অদুবু মখোংগী মতম লোইরদুনা লাইনা ফাওবা য়াদ্রদুনা (ভুম্মী কলপা) য়ুহার হাবদা ইমা কৈথেল দশা তারে। দশা তারবা মতমদা মখোয়না নত্তে হায়নরকখিবা অঙকপা নতে। ঙসিদি তুমিন তুমিন লৈনখ্রে। মসিদা নত্তনা মখল মখাগী মীহাৎ, মখল মখাগী থাজদ্রবা ঠিকাগী থবক পায়খৎলম্বা মশীং খঙদনা লৈখ্রে। পাউদম্বগী লোইবা খম্বা নাইররোই। নহারোল মরাল লৈবা লৈতবা ১৫০০গী মথক্তা হাৎখিবা, নুংথিল পোবোবতা মীয়াম তিনবা মফমদা হাৎপিখিবা রবিনা, সঞ্জিৎকী মীহাৎ লোয়না লোয়ননা তোন্বীস্না স্কুলগী লৈনুংদগী মীকোক কয়া ফংনখিবা মথং মথং চোঙথোরকখিগনি। ও ইবোবীগী চহী ১৫গী লৈঙাক মতমদা চত্থরম্বা কয়া পাউদম্বগী লোইবা খম্বা নাইররোই। চহী ১৫গী লৈঙাক মতমদা থাজদ্রবা কোংগ্রেসকী আইনগী ৱাংমদা চত্থরম্বা কয়া লৈতবা নত্তে।

চহী কয়াগী পুৱারীদা অমুক্তা তানরকখিদ্রবা ইলেক্সন মমাঙদা নংহৌররোই মতাগুম মখল মখাগী থবক লৌখিবা ঙসি ফাওবা ফল হায়দোক্তবা কয়াসু লৈরি। মসিগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৫/১০গী শেনফম লৌদৌরিবা কেন্দিদেট লিশীং ৭/৮গী ফল শেলবুল শেলবুল লৌরগা হাপখিদবশিং নৈননীংঙাই ঙাক্তনি। মসিগী মতাংদা ও ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্তা এদ্যুকেসনবু চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা হোৎনরম্বা মমাঙথক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌরগা ফমজাউ কয়া হাপ্লম্বগী ফম কোংগ্রেস লৈঙাক্কী অরোইবা তাঞ্জাদা লৈঙাক অদুনা কাঙলোন চুম্না খরদি তৌরম্বা মীয়াম্না শাখিনি। অদুম ওইনমক শাংলবা চহী কয়াগী মমাঙদগী এদ্যুকেসনগী মোৎলবা শক্তম ঙসি ফাওবা চুমথোকপা ঙমদবসি ওন্থোক্না কূপ্না নৈনবগী মথৌ অমদি লৈতবা নত্তে। এদ্যুকেসন মন্ত্রি ওইরম্বশিং শেল চবুল চবুল পায়রগা চৎনখিবনি। মথংগী ইলেক্সন লাকপদা মীয়াম্না চপ চাবা পাড়া ঙসি ফাওবা তম্বীদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঈজৎতগী শেলনা হেন্না লুম্না লৌনবগী চৎনবী ঙসিসু লৈরিবরা? মসিমকসু পুৱারীগী অরিবা পাড়া অমনি। মসি পূম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা ইমাংদা তারম্বা শেঞ্জাউ কান্থোকপা ঙম্নদবসিমক শেলগী মগুণ কয়াদা ৱাংখ্রবা। এদ্যুকেসন মন্ত্রি ঙম্নমক চুমথোকপগী মহুৎতা হেন্না হেন্না মোৎশিনবসি মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী শক্তি, মথৌ মুন্না খঙমিন্নবা মথৌ ঙাক্তনি। মীয়াম্না শেংনা খঙনরি।

মতাংসিদা লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল ওইরিবশিংনা এদ্যুকেসনবু মখোংদগী মতোন ফাওবা থিজিনবীবা মথৌ তাদবা নত্তে। মরম অদুনা ঙসিগী বি জে পিগী ফজরবা ৱারক্কী তয়ালগুম্বা লৈঙাক অসিদসু হেন্না কূপ্না মখোংদগী মতোন ফাওবা য়েংশিনহনীংবগী শক্তম নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। লৈবাক অমগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা এদ্যুকেসনবু মোৎলবদি কৈদৌনুংদা অওনবা, অশেংবা অনৌবা লৈঙাক পুরকপা তরাইবা নত্তে। মতম অমদা মণিপুর মীয়াম্না থাজনরম্বা অনৌবা বি জে পি লৈঙাক ময়েক শেংনা খঙহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমদি দরকারনি খল্লি। মীয়ামগী শাংলবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কী মতমদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মোদিগী বি জে পি লৈঙাক অসিদা মণিপুরদা মীয়াম্না অপাম্বা বি জে পিগী লীদর ওইবিরিবা বিরেন, লমদমসিদা ফোঙবা পাউচেগী এদিটরসু ওইবিরম্বা, পাউচেগী লমদা হেন্না কূপ্না নুং-পানগী মরমদা কুপ্না খঙ-হৈরবা তমজনীংঙাই কয়া য়াওবা লীদরনা মণিপুরগী পাউচেশিংদা লেপ্তুনা ইনরক্লিবশিং অমত্তা লেম্না মাঙফরোই। মণিপুর মীয়াম্না ঙসি ফাওবা থাজবা থল্লিবা অঙকপা অনৌবা মওং অমা থেংনরকখিবা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমনি।

বি জে পিগী লৈঙাক্তা পুরকপা চেনবা য়াররোইদবা মরীক চুম্লবা ৱাফম অমদি মীৎমাংদা ফজনা উনখ্রে। লুপা ১০০০ চৎপী, ৫০০ চৎপী অনৌবা শিন্দোকপদা, বি জে পিনা লুপা ৫০০ চৎপী, ২০০০ চৎপী পুথোরকপা মণিপুর মীয়াম্না ঙক্করম্মী। ইন্দিয়া পূম্নমক্তা পুমনিল নিল্লম্মী। লুপা ২০০০ চৎপীগী শীজিন্নফম ময়েক শেংনা মমাঙগী ইলেক্সন্দা পড়া ফানখ্রে। ইন্দিয়াগী নত্তনা মণিপুরদা ভোটর অমদা লুপা ২০০০ পীনবসি মমাঙগী ইলেক্সন অদুমা পড়া ওইনখ্রে। মথং চত্থরকপদা হন্দক্কী খুঙ্গংগী গ্রাম সভাগী মীখলদা মেম্বর ফাওবনা লুপা ৫০০দগী লুপা ১০০০ ফাওবা য়েন্দুনা ভোটকী মতমদা লুপা ২০০০ চৎপীগী শীজিন্নফম ফজনা মফম ফংনখ্রে। মসিমকসু বি জে পিগী অনৌবা অওনবা শক্তম অমনি হায়দবা য়াররোই। ইন্দিয়াবু লায়রবা কনগে হায়রবদি লুপা ১ চৎপীদগী ৫০/১০০/২০০গী শেনয়েক পুরকপা দরকারনি। লুপা ২০০০ চৎপী পুথোরকপা হায়বসি মুন্না খন্থরবদি শেঞ্জাউ পায়বগী খুদোংচাবা ফংহনবনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লরোই নীংই। খুঙ্গংগী গ্রাম সভাদা মেম্বর ফাওবনা লুপা ৫০০ চৎপীদগী লুপা ২০০০ চৎপী ফাওবা য়েন্নবসিনদি মথংগী এম পি ইলেক্সনদা করি থোক্কনি, খন্থবা মতম ওইরে। গ্রাম সভাগী মেম্বর মীরেপ ফাওবনা ভোট লেপ্পদা লুপা লাক্ষ ২০/৩০ খরচ তৌনরবসিদা করম্না খুঙ্গং চাওখৎপা পুরকপা য়াগনি। বি জে পিগী লৈঙাক অসি কদাই ফাওবা খোঙথাং চুল্লিবগে হায়বসি লমদমসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা, পোলিটিসিয়নশিং চনিং তানা খন্থমীন্নরসি। শেঞ্জা থুমজা মাঙহনগনি লাউরিবা বি জে পিনা ইলেক্সনগী মতমদা শেঞ্জা থুমজা, শানৈ, য়ুনৈবা হেনগৎলকইবসি থিংবগী মহুত্তা করি করম্বা উপায়না লমদমসিগী নহারোলগী লমচৎ-শাজৎ চুমথোকপগী মহুত্তা খুঙ্গংগী গ্রাম সভাগী মীখল মতুংদা ওইরক্লিবশিং মপূং ফানা চেক তৌবগী মথৌ লৈতবা নত্তে।

মমাঙথক্কী কোংগ্রেসকী মতমদা মরাল লৈতবা নহারোল কয়াগী পুন্সি মাঙহনবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগনি, শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগনি, মী হাৎপা য়াওবা চেন্নবশিং দন্দি পীরগনি লাউরম্বশিং তুমিন তুমিন লৈশিনবসি বি জে পিগী লৈঙাক মনুংদা চেন্নবা মন্ত্রি, ওফিসর, এম এল এ য়াওরম্বদগী খূৎ থাবা ঙমদ্রবরা? হায়বা ৱাহং অমা চোঙথোরক্লে। মসিগী মথক্তা তরু তরুবা লৈঙাক ওইবা পামজবা পোলিটিকেল পার্টি খরদি মন্ত্রিসু ওইহৌদ-শেঞ্জা থুমজাসু য়াদবদগী য়াম্না ৱানা খাঙনদবসু য়াওরম্লোই করম্না হায়রুগনি। অপীকপা ঈচেল মচানা অচৌবা ঈপাক্তা তিনখিবসি দষা খরদি নংবা তাবনি। ঈশিং গ্লাস অমদা কেরোসিন দ্রোপ অমনা ঈশিংদু মাঙহনবসু য়াওদবা নত্তে। চাশিনসি মরূ হুন্দোকসি মতোং, লৌথোকসি য়াদ ওন্থোক্না ৱানা খাঙগদৌরি লমদমসে।

# মণিপুরনা করম্না ইন্দিয়াদা তিনখি?

এস উমানন্দ

**কুমজা ১৯৪৯**না মশীং থিঙমদবা মণিপুরগী মীয়ামশিংদা য়াম্না থৱায় চাকপা অমদি থম্মোয় শোকপা পীবতা নত্তনা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংগী রাজবারিদা নুমিৎ হুমনি তূম্ফম চাফম খঙদনা হাওস এরেষ্টতা থমদুনা লৌশিং মাঙহল্লগা মর্জর এগ্রিমেন্টকী খূৎয়েক পীখিবদুগী থম্মোয়গী মীৎনা উবা শক্তমদুবু মীৎলুদা পিরাং ঈহৌনা হেক হেক উনরি। শিল্লোংদা মহারাজনা আসামগী গভর্ণর শ্রীপ্রকাশপু থবক অমগী উনবা চৎপনি। নোংমা নোংমগী মঙক হাইগৎলক্লিবা মণিপুরদা লৈবা দেৱাল, রৱাল অমরসিংগী মঙক থেক্ন বগী ৱারী শাবা চৎপনি। মখাদা লাক্কদৌরিবা কয়ানা উৎকনি। অদুবু হেক য়ৌরগদি গভর্ণরগা উনবদা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিন্নবা চে অমা পুথোক্লগা নমদুনা মহারাজগী খূৎয়েক লৌগে তৌরকপনি। মহারাজনা য়াদে। ফৈনা চৎখ্রবা ৱাফমদুদগী নান্থোক্নবা মহারাজনা মণিপুরদা থুনা হনখিনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জখিবদু শুকয়া য়াখিদে। হেন্নদুম খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটিগী অচৌবা পল্লোন অমনা মহারাজনা লৈবা রাজবারি কোয়শিনখি। অকুপ্পা ৱারী মখাদা পীজরি।

কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্তেম্বর ১৬ অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অচৌবা অহোংবা অমা পীরগদবা থৌদোক অমগী লাইবক থিবা খোঙচৎ অমগী নুমিৎ ওইখি। শিল্লোংদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা নুমিৎ অসিদা মহাক্কী প্রাইভেট সেক্রেটরি সনসম গৌরহরি, এ দি সী ময়েংবম, অনন্দমোহোন অমদি অতোপ্পা মীওই ১৫/১৬ লোমগা অসামগী গভর্ণর শ্রীপ্রকাশকা উনবা চৎলি। মরুওইনা চৎলিবা খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি নোংমা নোংমগী লম অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্লিবা মণিপুরদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না থল্লিবা দেৱান রৱাল অমরসিংগী লমচৎকী মরমদা খন্নরগা মহাকপু লাকশিন্ননবনি। য়াম্না হেন্না লুবা মণিপুরগী লাইবক লেপ্পা থবক্কীদমক্তদি শুকনৎ নত্তে। মরমদি মহারাজনা মহাক্কী লিগেল রিমেম্ব্রেন্সর কে সী চক্রবর্ত্তিসু লোয়নখিদে। মহারাজনা কোন্না গভর্ণরদা ইবা চিঠিদা য়াওরক্কনি।

নোংমা চঙনা গাড়ীদা চৎতুনা তাং ১৭কী নুংথিলদা শিল্লোংগী রেদলেন্দসতা লৈবা রাজবারিদা মহারাজ থুংখি। লোয়ননা মহারাজ বোধচন্দ্রদা শিল্লোংদা থুংলরে অমসুং আসামগী গভর্ণর উন্ননবা মতম অমা পীনবা গভর্ণমেন্ট হাওসতা পাউ অমা থাখি। তাল্লক অদুদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদৌ-থৌশিং খরা মহারাজ অমসুং লোইনবশিংনা উখি। খূৎলায় পায়বা সিফাইশিংনা রেদলেন্দসকী রাজবারি কম্পাউন্দদা লাল্লগা মহারাজগী সিক্যুরিটি শারগা টেন্টকা খনগৎতুনা ফিঙৌ শেৎপা সী আই দি কয়ানা রেন্দলেন্দসকী রাজবারি কোয়শিন্দুনা থমখিবগী ৱানি। অফবা ইন্দেনসন নত্তে হায়বসি মহারাজ অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা লায়না খঙখি। করিগুম্বা তৌহৈদবা খরা মণিপুরগী নিংথৌদা ইন্দিয়ানা তৌগদৌরে হায়বসি চিংনবা লৈবা তাবনি। টোইলেটকী মনাক্তা ফাওবা শেন্নদুনা লৈ হায়। মহারাজগী মনাইশিংনা সাপন অমদি চুরুট লৈবা থোকপা ফাওবা য়াহন্দে হায়। অপাম্বা আইটেমশিংদু সিক্যুরিটিনা লৈ হায়না তাই। নুমিদাংদুদা মথংগী নুমিৎতা হায়বদি তাং ১৮গী পুং ১১ তাবদা গভর্ণমেন্ট হাওসতা মহারাজ লেংঙক্তুনা গভর্ণর উন্ননবা পাউ অমা থারক্লে।

অহিং অমা হৌখ্রে। কোন্না খঙলকপদা, গভর্ণরনা তাং ১৭কী নুংথিলদা লৈরমদবদু মহাক দিল্লিদা চৎলগা মর্জরগী ৱা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা তান্নবা চৎপা ওইরমখি। শ্রীপ্রকাশতু হায়বদি গভর্ণরদু তৌগদবা থবকশিংদু লোয়না খঙলগা লাকপা ওইরম্লে। বোম্বে ফাওবদা চৎতুনা সর্দার পেটেল উন্নরুবগী ৱারীদু কোন্না খঙনরকই।

নোংঙাল্লে, শিল্লোংদি চীংগী লমনিনা মহৌশানা পংশা শাদে। অয়ূক পুং ১১গীদমক মহারাজগী পার্টি শেম শাবা লোইরে। গভর্ণমেন্ট হাওস তম্না থৌরক্লে। মফমদু য়ৌরমদাইদা লম্বীদা ঙাইহাক মমাঙদা হৱাগাড়ীনা মকোক্তা তকখিবা হৌদোং অশিবা অমগী ওন্থোকপা শক্তম প্রাইভেট সেক্রেটরিনা উখি। ফত্তবা খুদম চাংদম অদু উবদা মহাক্কী থম্মোয় নিকখি হায় অমসুং করি থোক্লগবা হায়না খনবগা লোয়ননা মহাক্না থাজবা লাই অমদা নুংদা খুরুমজখিবগী ৱারী লৈ।

গভর্ণর হাওস য়ৌরে। গভর্ণরনা মহারাজবু ওক্লমই। গভর্ণরনা মাঙ থারগা মহারাজনে, কৃষ্ণমুর্ত্তিনে, আনন্দমোহোননে হেক তুংদা এদভাইজর নারি রুসতমজিনে, প্রাইভেট সেক্রেটরি গৌরহরিনে খন্নাংননা চৎলি। অদুদগী গভর্ণরনা অচৌবা মহাক্কী কাদুদা মাঙ থাদুনা মথং মথং চঙশিনখ্রে। গভর্ণর, মহারাজ, কৃষ্ণমুর্ত্তি অমদি অনন্দ মোহোন মথং-মথং ফমখ্রে। রুসতমজিনা গৌরহরিদি অতোপ্পা কা অমদা মখোয়নিতা ৱারী শারুসি হায়দুনা পুশিনখি। কা অদু য়ৌরে। হেক ফমথবগা রুসতমজিনা হায়খি "মিষ্টর গৌরহরি, নহাক্না মহারাজবু শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা ঙম্মী হায়বা ঐখোয়না তাই। অসোমগী কাদা মর্জর এগ্রিমেন্টকী নমথোক্লবা কপি অমা লৈখ্রবনি। নহাক্না মহারাজদা মহাক্কী খূৎয়েক চে অদুমা পীনবা তক্নগদৌবনি, শোয়বা য়াদে"।

প্রাইভেট সেক্রেটরিনা খুমখি, "মদু অরানবা ৱাফমনি, ঐহাক্তি মহারাজগী সেবকনি, মনাইনি। মহাক্না ঐগী গুরুনি। মনাইনা মপূদা করম হায়না তক্নদুনা অদুক লুবা থবক্তুগী খূৎয়েক পীহনগদৌরিবনো? ঐহাক শুকঙম ঙল্লোই"।

"অদু ওইরবদি মহারাজ নখোয় অনী ফাদুনা থমগনি" থকসি-খাসি করিমত্তা য়াওদবা রুসতমজিগী পাউখুমনি।

হান্নদগী খরা শাওগনবা প্রাইভেট সেক্রেটরিনি মহারাজ বোধচন্দ্রগী। মহাক্না খুদক্তা শাওনা খুমখি, "নহাক্না ইন্দিয়া মচানি, ঐনা মণিপুর মচানি। নঙনা ইন্দিয়া নুংশিবা, ঐনা মণিপুরবু নুংশিবা। করিগুম্বা ইরৈবাকপু নুংশিবসি ক্রাইম অমা ওইরগদি নঙসু ক্রিমিনেলনি। নঙসু ফারগা থম্বা তাই। ঐহাক মখা তানা নহাক্না হায়বা তাররোই"। অসি হায়রগা গৌরহরিনা শাওদুনা ফুক হৌগৎলগা থোঙ খংহাং হাংদোক্তুনা থোক্লকই। অদুগা গভর্ণরগী কাদা অমুক ফি ফি কামদুনা চঙলকই। অদুগী হেক মিনিট খরগী মমাঙদা গভর্ণরগী কাদা ময়াম ফমথনরবা মতুংদা গভর্ণরনা ইঙ্গিৎ পীরগা কৃষ্ণমুর্ত্তিনা চেখাও অমদগী মর্জর এগ্রিমেন্টকী চে অমা পুথোক্তুনা মহারাজদা পী। মহারাজ ঙক্না থোকখি। নুঙাইতনা খজিক্তং পারগা এদিসিদা পাও হায়দুনা পী। আনন্দমোহোন্না পারগা মহারাজদা খূৎয়েক পীবা চুম্মোই হায়দুনা হঙ্গৎলমই। হায়রিবা মতম অদুমক্তদনি গৌরহরিনা শাওনা চঙকখিবদু। হায়রকই "তাইবুংঙো মর্জর এগ্রিমেন্টকী কপিরা, ঐগ্যা (মহারাজদা) সহি তৌবকা য়াদ্রি। তুংদা মীৱা য়াম্না তারক্কনি। ননাই এদিসিনা করি হায়রিবগে" "এদিসিনা সহি তৌবা চুমদে হায়রিবনিনে" মহারাজনা খুম্লকই। গৌরহরিনা অমুক, "তাইবুংঙো (এ দি সি) না হায়রিবদু চুম্মী। সহিকা তৌবা য়াদে ঐগ্যা"।

গভর্ণরনা গৌরহরিদা অদুক শাওবগী মরম হংবদা গৌরহরিনা মঙোন্দা রুসতমজীনা ৱাহৈ কামজাও হুনবা, অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নবগী ৱারমদু তমখি অমসুং গভর্ণরনা রুসতমজিদা ঙাঙখি হায়। অমুক মখা তাবদা মহারাজগা গভর্ণরগা ৱা অসুম ঙাঙনরকপদা রুসতমজিনা মহারাজগী সহি খরা থুনা তৌনবা হায়রকপদা মহারাজনা শাওনা "রুসতমজি ঐনা লাক্লিবসি গভর্ণরগা ৱারী শাবা লাকপনি। নঙগা শাবা লাকপা নত্তে"। সিদসু শ্রীপ্রকাসনা রুসতমজিদা অমুক্কসু তুমিন লৈনবা হায়খি।

নুমিৎতু ৱারী ফজনা শাবা য়াদ্রে। গভর্ণরনা প্রাইভেট সেক্রেটরি গৌরহরি মহারাজবু নিংথিনা পুবিখিনবা হায়রগা কায়নখি মরমদি মহারাজ য়াম্না ইমোসনেল ওইরে হায়বা গভর্ণরনা খঙখি।

রেদলেন্দস য়ৌরে, লোয়না নুংঙাইনদ্রে। পূম্নমক নুংশুক-নুংজানরে। মরম অমগী খন্নবা চৎলগা খঙহৌদনা লুখ্রবা ৱাফম অমা হিংনম নমশিল্লকপদুদা লোইনমক লৈতানদ্রে।

নুমিদাং ওইরে। চাক-নুং নিংথি নুংঙাইনা চানবা নৎত্রে। মফমদুদি নোংমৈ পায়বশিংনা পল্লোন খানা কোয়খ্রবনি।

অহিং তাংলৌ থেংজিল্লক্লবা মতমদা ময়াম লোয়না তুম্নখ্রবা মতুংদা মহারাজগা প্রাইভেট সেক্রেটরিগা চিক্না উনৈ অদুগা গভর্ণর অমসুং রুসতমজিনা উশিৎ-থৌওইদবা ৱাহৈ অমুক্না শীজিন্নরক্লবা অদুগা ৱাহৈ কামজাও হুল্লক্লবদি হিংসাগী থবক তৌবদা য়ানখি। অদুবু মতুং তারকপদদি গভর্ণর অমসুং মরুওইনা এদভাইজর রুসতমজিগী লমচৎ মওং হোংখি অমসুং নেমথখি। নমজা নমথেক্লবগী লিচৎকী মহুত্তা থেম্বা, হায়জিনবা, ঙাওহনবা, পোৎথাহন্দবা ওইনা চৎথরকখি। ইন্নরিবা চিঠি ময়াম অদুদগীসু খঙই। অয়াম্বা শক্না শক্না উনবগী মহুত্তা চিঠি ওইনা ইন্নবনা মখা তাবা থৌওং ওইখি। মরম অদুনা মহারাজ অমসুং প্রাইভেট সেক্রেটরিনা হিংসা তৌবগী ৱাখলদগী খরা খরা থৈদোরকখি।

মহারাজগী চিঠি অয়াম্বদা মণিপুরদা থোক্লুখিগে হায়বসি তোয়না পল্লি। মহাক্না অমুক্তংবু মণিপুর য়ৌরবদি বুদ্ধি লৌশিং থোক্কনি হায়বসি ৱাখলদা মণিপুরদা চৎনবা চিঠি কয়া ইদুনা তক্নখি। অদুবু শুকয়া য়াখিদে। অদুম ফাদুনা থমখি।

তাং ১৮গী অয়ূক উনবা অদুগী মতুংদা শ্রীপ্রকাসনা চিঠি অমা ইরকখি। ৱাফমদি নোংঙানবা তাং ১৯গী অয়ূক্কী পুং ৯.৩০দা উনসি হায়বনি। মহারাজগী পাউখুম ওন্থোক্না ফজে। অসুম্না হায় "... খন্নরিবা ৱাফম অসি য়াম্না লুবা মণিপুরগী তুংগী লাইবক্কী মরমদনি। ... হৌজিক্তি মণিপুরগী সোভরেন্টি অসি মীয়ামগী খূৎতা লৈখ্রে। অদুনা মীয়ামগী ৱা তারগা মখোয়গী অপাম্বদু খঙলগা থবক চৎথবনা খ্বাইদগী চুম্বা অমসুং মতিক চাবা ওইগনি। মদুতনা তুংদা কেস অসি কন্সটিট্যুসন্না য়াদবা হায়বদু ওইরোই। নৎত্রবদি অন কন্সটিট্যুসনেল ওইগনি...। মরম অদুনা ঐ ইম্ফালদা হয়েংমক অমুক্তা চৎলুখিগে"। কয়াদা চুমখ্রবা অমসুং ফজখ্রবনো।

তাং ১৯দা অমুক মহারাজনা ই "ঙরাংগী, হায়বদি তাং ১৮গী চিঠিদু অমুক্তগা পীবিয়ু। মদুগী পাউখুম পীরক্ত্রবনিনা য়োর এক্সিলেন্সিনা ঐগী অরুবা, অৱাবা ময়ামসি উরগা ঐবু য়ূমদা হনখিবদা য়ারে হায়না লৌরে। ঙসিমক নুংথিলদা ইম্ফালদা চৎখ্রগে"।

মদুগী পাউখুম শ্রীপ্রকাশনা খুদক্তা পীরকই - "ঐনা চিঠি হল্লকখিদবদু হন্দ্রবসু য়ারে হায়না খনবননি। ঐদি য়োর হায়নেসপু য়াম্না তরাম্না ওকচনবা খন্দুনা লৈরবনি। মহারাজনা হৌজিক লাকপীরগদি ঐ য়াম্না নুংঙাইজগনি।

মহারাজনা অমুক খুম্মী : "ঐহাক্কী মণিপুরদা ঙসি থোকপগী প্রোগ্রামদুদি ককথৎলগে অদুগা গভর্ণরবু গভর্ণর হাওসতা উনবা লাকপদি ঐ ঙম্মরোই। থবক অসি য়াম্না লুশিল্লক্লি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ঐঙোন্দা তৌরিবসি য়াম্না মীনুংশি য়াওদবা থবক অমনি। লুরবা থবক অমগী ৱাফমদা অসুক তেনবা মতমদা ঐবু ৱাখল খন্থবা মতম ফংহন্দনা হিংলা হিংজিন্দা থবক তৌ হায়বসি ফজমন্দে। অদুগা ঐগী খ্বাইদগী লাইবক অমুক থিরিবনা (শিল্লোংগী) থবক অসিগী মরমদা ঐঙোন্দা হান্ননা ইঙ্গিৎ মচেৎ অমা ফাওবা পীখিদবসিনি। ঐনা করিমত্তা খঙখিদবা মণিপুরদগী লাকপদা পোপ্যুলর এসেমব্লিগী ৱাসু তারকখিদে মখোয়গী অয়াবসু লৌরকখিদে। অদুগা আইনগী মরমদা অখঙ-অহৈ ওইরিবা ঐগী লিজেল রিমেম্ব্রেন্সরসু পুরক্তুনা মাগী পাউতাকসু লৌবা য়াহন্দ্রে। মসি য়াম্না ফজমন্দবা অমনি। ঐবু নম হাদুনা ইথক্তগী অপাম্বদা খুসি তৌহনবদা ঐগী থবক্তু য়াম্না লানবা ওইগনি। মরম অদুনা ঐনা য়োর এক্সিলেন্সিগা উনবদা করিসু কান্নরোই ঐগী হান্নগী য়াদবগী ফিরেপ্তু শুকহোং হোংলোই।

খ্বাইদগী ফবদি ঐবু ইম্ফালদা চৎহনবা হায়বসিনি অদুগা ময়াম তান্নরগা অমুক হল্লক্লগা ৱাফম অসি থুনা লোইশিন্নবা তৌবা হায়বসিনি।

মহারাজগীদি অসিদগী হেন্না তৌফম থোকপা থবক লৈতে। অমুক্তং মরমদম মণিপুরদা থোক্লগা শ্বর হোন্দোক্লগা নান্থোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি মসিতনি। নুমিৎ অদু মহারাজ গভর্ণর উনবা চৎখিদে।

চিঠি অসিগী পাউখুমসু শ্রীপ্রকাশনা অসুম্না হল্লকই, 'য়োর হায়নেসতা খুদোংচাদবদি ঐনা থোকহনবা তারে মসিগী ঐ নুংঙাইজদে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী অকনবা য়াথংগী মখাদা থবক তৌবনি ঐদি। মখোয়না থবকসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দবা য়াদে হায়দুনা অহকপা য়াথং পীবনা মহারাজ মণিপুর চৎখিবা য়ারোইদৌরি। অদুনা হয়েং তাং ২০গী অয়ূক পুং ৯দা গভর্ণমেন্ট হাওসতা ঐহাক ঙাইজরমগে।

পূম্নমকসিদগী খঙলে, মহারাজনা কাঙলোন চুম্না চৎথজগে তৌবদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শুকয়া য়াখিদে। অকনবা শরৌ শিনখ্রে। নোংমা নীনিগী মনুংদা পান্বে কয়া শীজিন্নদুনা মহারাজবু নমদুনা খূৎয়েক পীহন্নবা হোৎনরকখ্রে। শম্না হায়রবদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়াদা তিলহন্দবা শুকয়া য়াদ্রে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না চপ য়ুংনা লেপখ্রে।

মহারাজগী তাং ২০-৯-৪৯গী চিঠি অমদা অসুম্না ইরি, "... ঐহাক্তি হৌজিক কন্সটিট্যুসন এক্ট অমগী মখাদা মপূং ফাবা রেসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট অমগী শুপ্নগী কন্সটিট্যুসনেল হেদ অমা ওইবতনি। মরম অদুনা মশীং য়াম্বা মীয়ামগী খোঞ্জেলনা ঐগী খোঞ্জেলনি অমসুং মসিতনা ঐবু কন্সটিট্যুসন অমসুং আইন্না পুল্লিবনি।

ত্রিপুরাগা কুচ বিহারগা ঐখোয় মণিপুরগা মান্নদে। মখোয়গীদি নিংথৌ মশাগী শক্তিদা অদুম থবক তৌবা য়াই। অদুবু মণিপুরগীদি দায়ত্ব অমসুং লৈবাক ঙাকপসি মীয়ামগী মখূৎতা লৈখ্রে, ঐগী খূৎতা লৈতে। অদুনা ঐগী শক্তি য়াম্না পীকই। ... ঐ মীয়ামগীনি অদুগা ঐগী ষ্টেটকী গভর্ণমেন্টতি মীয়াম্না মীয়ামগীদমক পুজবনি।

ইন্দিয়ানা য়াম্না কন্না নীংজরিবা পন্থুং অদু মণিপুরনা মাঙ থাগৎতুনা হান্না মঙফাওনজরে। মসিগীদক ঐনা চাওথোকচরি।"

মহারাজনা হায়রিবসি মণিপুরগী ১৯৪৮দা তৌখিবা মীখল অদুবুনি।

ইন্নরিবা চিঠি ময়াম অসি দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্সনিনা য়াম্না মরুওই। ইংলিসতা ইনবা ঙাক্তনি। ৱারেংসিগীদমক মীতৈলোন্দা হন্দোকপনি।

মহারাজনা চিঠি অমা অমুক, "... অরোইবদা ঐনা য়োর এক্সিলেন্সিদা হায়জনীংবদি ঐহাক্না য়োর এক্সিলেন্সিগী অৱাই অখুম তৌনরিবা চিঠিশিং অসিগী চপ চাবা ৱারমশিং অসি প্রেসতা থাদোকপীয়ু।" গভর্ণরদা ইখিবনি।

শ্রীপ্রকাশনা, প্রেসতা থাদোকপীয়ু হায়বা ৱাফমদু য়াখিদে। করিগীনো?

অদুগা হায়হৈদবা লোন্দা য়াওবা শ্রীপ্রকাসকী চিঠি অমদা অমুক অসুম্না ইরি, "... ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহারাজগী কো-ওপরেসন পাম্বগী ৱাতনি। নাকল নামতগী ওইবা দিসিজন লৌবা ঙম্মী। তৌবতবু মদু তৌনীংদদুনা মহারাজগী তেংবাংদু পাম্বগী ৱানি।"

হু চেনবা চিঠিনি। নিংথৌগী মৱা তাদনা মণিপুর ইন্দিয়াদা মর্জ তৌহনবা ঙম্মী হায়বনি। নিংথৌ কাল্লগা তৌনীংবা তৌবা ঙম্মী হায়বনি। মসিদি য়াম্না হৌনদবা, লৈবাকমচা তাদবা, গনতন্ত্রবু খোঙ্গোইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থবক অমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই। শিল্লোংগী ৱারীসিদা থবক অমনি হায়বা লৌবদা লাল্লোই। শিল্লোংগী ৱারীসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি তাং ১৯গী নুমিদাংৱাইরমদা এস পি দাস গুপ্তা হায়বা অমা ইখঙ খঙহৌদনা মহারাজ বোধচন্দ্রগী কা মনুংদা ফুৎ ফাওজিল্লক্তুনা দণ্ডবোত তৌদুনা মহারাজদা খুরুম্মী। মহাক মণিপুরদা লৈরম্বনি। মৈতৈলোলসু ফজনা থোকই। মহাক্না খুরুম্লগা হিগায়ৱা থাদোরকই। মহাক্না মহারাজদা, মহারাজনা তাদবা ৱারম কয়া হায়রকই। শাজিন্নবা ৱারীরা অশেংবরা খঙবা ঙমদে। মণিপুরগী ৱারীসু য়াওই গভর্ণরগী মায়কৈগী ৱারীসু য়াওই। হাওস এরেষ্টতা লৈবনিনা মহারাজনা চুম্বা চুমদবা থিজিনবসু ঙমফম থোক্তে। কনাদা হংউনি। মপানগী পাউসু অমত্তা খঙবা নত্তে। মহাক্না মহারাজগী পূক্নিং ওন্নবা ৱাফম কয়া হায়খি। অহানবদা, মহারাজনা ফনা য়াম্না খঙলবসু মণিপুর কনবা ঙম্লরোই। ইন্দিয়াদা শোয়দনা তিনখ্রনি, মহারাজনা য়াদ্রবসু নিংথৌ অমা হাপখ্রনি। মহারাজগী তুংদা ওইরক্কদবা ফীভম উৎলকখি। মদুগীদমক দাসগুপ্তগী মমিত্তা মপি ফাওবা তারকখি।

... দাসগুপ্তনা হৌজিক্তি ঙমখ্রেদো। মহাক্না মণিপুরগী পুৱারী অমা শেমখ্রে মরমদি, মহারাজনা অদুক চেৎনা খাঙদুনা লৈরম্বদু দাসগুপ্তগী অচুম্বা ৱারীরা চুমদবা ৱারীরা খঙদবদুনা ঙমখ্রে। মহারাজগী পুকচেল হোংখ্রে। মহারাজনা ফনা খাঙদুনসু মখূত্তগী নান্থোকখ্রনি, য়াররোই, মণিপুর কলহৌবা ঙম্লরোই হায়বা চিংনবা অমা দাসগুপ্তনা পোকহনখ্রে। হাওস এরেষ্টতা লৈবনিনা পংহায়দা হায়জিল্লবসু থাজগল্লবা মতমনি। মহারাজনা শুকয়া য়াদ্রবসু মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনখ্রগনি। মসি মহারাজগী খ্বাইদগী নীংবা কায়বনি। থাজদবসু য়াদে। চিঠি অমা ফংখিবতা ঙায়রিবনি গভর্ণরগী "ইন্দিয়া লৈঙাক্না নাকল নাম্মতগী (এক্স পার্টি) দিসিজন লৌবা ঙম্মী" মদুগী শাওদুনসু লৈরম্বনি মহারাজ। অমুকসু মহারাজনা হৌখিবা থৌদোক খরা নীংশিংল্লকখি। মতম খরগী মমাঙদা, মণিপুরদা মহারাজগী মায়োক্তা হৌখিবা মহাকপু নিংথৌ তোকহল্লগা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিলহনবগী মতম অদুগী মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেসকী অন্দোলোনশিংদা মহাকপু থিনা থিনা হায়খিবা লাউখিবা পূম্নমক নৌহৌননা মমিত্তা উরকখি। দাসগুপ্তনা গভর্ণরগী ৱাহন্থোক য়াম্বা, হু চেনবা চিঠিদুদা পংশনবগুম থোকপদু য়াম্না নুংঙাইতবা পোৎ অমনি।

নোংঙাল্লগা তাং ২০দা গভর্ণমেন্ট হাওসতা মহারাজ মমি শাম্না চৎখি। ৱারী মখা শান্নরে। নুংথিলদা গভর্ণর অমুক মহারাজগী নাক্তা রাজবারিদা লাকখি। রুসতমজিনা মহারাজদা মহাক্না নুংঙাইহনখিদবগী এপোলোজি তৌবা চিঠি অমসু পীরমই।

মথংগী নুমিৎকীদমক মহারাজ অৱাবা অহিং অমা খাঙখি। অদুবু নোং অদুদি ওন্থোক্না থুনা ঙানখি।

তাং ২১ য়ৌরক্লে। সেপ্তেম্বরনি, কুমজা ১৯৪৯গী অয়ূকতা পুং ৯দা, অহানবদা হায়নরম্বনি খূৎয়েক পীনবা পুংফমদো। মহারাজগী মশা ঙমলক্তবদগী নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবদি য়ৈথোকখি। পুং ৫.৩০ খক য়ৈথোকপদুনা কৈদৌরুনি। খূৎয়েক্তি পীখ্রে।

শিল্লোংগী রেদলেন্দসতা লৈবা রাজবাড়ীগী অৱাংবা মফমদগী নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইদা মহারাজগী প্রাইভেট সেক্রেটরি, গৌরহরি অমদি এ দি সী আনন্দমোহোন অনীনা নোংচুপ পাংনা য়েংথখিবদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা নুমিৎ লৈথখিবদু উমিন্নখি। অনীমক অমুক মীৎচান্নদুনা মমিৎতা পিরাং শিন্থনখি। *(কর্সি: পাথাং-পুথাং)*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।

২। মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৱারী ইবা 'চাদ লাইহুই' কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?

৩। "মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৱাবা ইজবদি/করম্বা ৱাহৈনা ফোঙসিগে।" পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?

৪। "নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।" পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়বদু হিন্দীদা হন্দোকপদু কনাননো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।